**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 29-07-2025)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**
**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**
**(তাং ২৯-০৭-২০২৫, লৈবাকপোকপা)**
**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মণিপুরগী চীংগী জিলাশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা পাক শন্ন থিবা হুন্দ্বগী থবক চথুবদা য়াম্লবা খূৎশু খূৎলাইশিং ফাগৎলে।

২) ১৩৪ শুবা দুরান কপকী ইম্ফাল লেগ মেটচশিং হয়েংদগী চথুবা হৌরগনি।

**অমসুং**

৩) ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হায়রি- টেরোরিজমগী থবক থৌওং চথুরিবমখৈ ৱারি শান্নবগী ৱাফম লৈতে হায়বদু ওপরেসন সিন্দুরনা পাকিস্তানদা পীবা পাউজেল অমনি।

**------**

**এরেষ্ট (এল)ঃ** মণিপুরগী চীংগী জিলাশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা পাক শন্ন থিবা হুন্দ্বগী থবক চথুবদা য়াম্লবা খূৎশু খূৎলাইশিং ফাগৎলে। মণিপুর পুলিসকী কন্ত্রোল রুমা থোকপা চেরোল অমনা হায়-হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা মণিপুর পুলিস, অসাম রাইফলস অমসুং সেন্ত্রেল আর্ম পুলিস ফোর্সশিংনা অককবা পাউ

ফংবদগী চীংগী জিলাশিং-চুরাচান্দপুর, ফেরজোল, কাংপোকপী, চান্দেল অমসুং তেংনৌপলদা থিবা হুস্বগী থবক চথখি। ওপরেসন অদুদা-এ.কে.রাইফল ৮, ইন্সাস রাইফল ২, এস.এল.আর ১, টেলেস্কোপ য়াওবা স্নাইপর রাইফল ১, এন.ফোর রাইফল ১, থ্রি নোট থ্রি রাইফল ২, কার্বাইন ৪, তুয়েল্ভ বোর রাইফল ১৪, নাইন এম.এম পিস্টোল ৮ য়াওনা পুন্না নোংমৈ ১৫৫ ফাগৎখি। মসিগী মথক্তা আই.ঈ.দি ৩৯, হেন্দ গ্রেনেদ ১৩ অমদি কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু লিশিং ১,৬০০ সু ফাগৎখি।

অমরোমদা, রেজিস্ট্রেসন সর্তিফিকেট, নম্বর প্লেট য়াওদবা অমদি ত্রাফিক্কী নিতি নিয়ম কাইনা থৌরম্বা গারি ৭ দিতেন্ট তৌদুনা থমখি। গারি ৬ তা নপ্লন্বা তিন্তেট ফিল্মশিং লৌথোকখি।

নেসনেল হায়ৱে-৩৭ ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা মাল পুবা গারি ৩০৬ সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেল থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফাল তমা পুথোরকখ্রে।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিদা শান্তি হঞ্জিল্লকবা হোৎনরিবা অসিদা মীয়ামা মতেং পাংবীয়ু। কনাগুম্বনা খূৎশু খূৎলাই লোৎশিন্দুনা থল্লে হায়বগী চিংনবা লৈরবদি মনাক নকপা পুলিস স্তেসন নত্রগা সেন্ত্রেল কন্ত্রোল রুমদা পাউ পীরকবা হায়রি।

**আর্মি(এল)ঃ** লাক্কদৌরিবা মালেমগী নেচর কঞ্জরভেসন ডে ২০২৫গী মাংওইননা ভারত লান্মীনা মণিপুর মফম কয়াদা পাক্তকনা উ-চারা কয়া থাখ্রে। উ-থাবগী থৌরম অদু লৈমখোঙ মিলিটরি স্তেসন, ইস্মানুয়েল স্কুল থমাপোকপী, ইম্ফাল ইষ্টকী মোইরাং পুরেল হাইস্কুল অমদি চুরাচান্দপুর জিলাগী ফিনিক্স স্কুল, বাংগোইফাইদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা পুন্না মহৈরোই ৪০০ হেনবনা শরুক য়াখি।

**সাইনিক(এল)ঃ** সাইনিক স্কুল ইম্ফালদা একাদেমিক সেসন ২০২৪-২৫গী লেমজনিঙাই ওইরবা বেষ্ট জোনেল সাইন্স ওলেম্পিয়েদ ফাউন্দেসন ট্রোফি পীরক্লে। মনা অসি ইন্দিয়ন টেলেন্ট ওম্পিয়েদনা পাঙথোকপা সাইন্স ওলেম্পিয়েদতা স্কুল অসিগী মহৈরোইশিংনা মশক থোকা থবক তৌখিবগীদমক পীবনি।

**ট্রাফিক(এল)ঃ** ১৩৪ শুবা দুরান কপকী ইম্ফাল লেগ হয়েংদগী ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেইন স্তেদিয়মদা হৌরগনি। মসিগী য়েংলগা মণিপুর পুলিসকী ট্রাফিক কন্ট্রোল পুলিস ৱিংনা ট্রাফিক এদভাইজরি অমা থোকখ্রে। এদভাইজরি অসিগী মতুং ইন্না মেটচ লৈবা নুমিৎশিং-হয়েং অমসুং লাক্কদৌরিবা থা অসিগী তাং ১,৪,৭,১০ অমসুং ১২ দা গারি চখোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈগনি। নুমিৎশিং অসিগী মেটচ লৈবা মতমদা পান্দোন ক্রোসিংদগী এম.এম.টি.এ বনিয়ন ট্রি ক্রোসিং ফাওবা গারি চখোক চৎশিনদা অথিংবা লৈগনি । ইন্দোর স্তেদিয়ম, স্বিম্মিং পুল অমসুং কাংশংগী মনা নকপদা হাংলিবা পার্কিং এরিয়াদা গারি খামগদবশিংনা মেইন স্তেদিয়মগী গেট নম্বর টুদগী চংলক্কদবনি। খোংনা লাকপশিংনা হোক্কি স্তেদিয়ম গেট নম্বর থ্রি অমদি বাস্কেটবোল কোর্ট গ্রাউন্দদা খামগদবা মীওইশিংনা গেট নম্বর ফাইভ অমদি নাইন আই.আর.বি গেটশিং অসিদা চংলক্কদবনি হায়রি। খুমন লম্পাক মেইন স্তেদিয়মগী মপানদা অখন্ননা হাংলিবা আই.এস.বি.টি-রাউ গ্রাউন্দ অমসুং এন.সি.সি গ্রাউন্দ দি.এম.য়ুনিভর্সিতিগী কেম্পসতসু মীয়ামা গারিশিং থম্বা য়াগনি হায়রি। হয়েংগী ওইনা নুমিৎ য়ুংবা মতুং পুং ১ তাবদগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী গেট হাংগনি হায়রি।

**ফোরেষ্ট(এল)ঃ** নুমিৎ হুমি চগুগদবা ‘নেচরেল দাইয়িং টেকিক-সস্তেনেবল কলরফুল নেচর’ হায়বা মহৌশাগী পাম্বৈশিং শিজিন্নদুনা ফি মচু শংবগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মাইবম লৈকাইদা হৌদোকখ্রে। ত্রেনিং প্রোগাম অসি রেজিং এন্দ এসিলরেতিং এম.এস.এম.ঈ পফোর্মেন্স রেম্প স্কিমগী মখাদা মণিপুর ফোরেষ্ট বিভাগকী সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজননা শিনবনি। ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা মহৌশাগী পোৎলমশিং শিজিন্দুনা হকচাং অমদি অকোইবগী ফিভম শোকহন্দবা মওংদা ফি মচু শংবগী মতাংদা অখং অহৈশিংনা তাকপী তন্বীগনি।

**লোক সভাঃ**ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হায়রি- টেরোরিজমগী থবক থৌওং চগুরিবমখৈ ৱারি শান্নবগী ৱাফম লৈতে হায়বদু ওপরেসন সিন্দুরনা পাকিস্তানদা পীবা পাউজেল অমনি। চহী অসিগী এপ্রিল থাদা পহলগাম এত্তেক্ট চথরকখ্রবা মতুং মসিগী পাউখুম ওইনা ভারতনা মসিদা চেন্নবা টেরোরিষ্টশিংগী মথক্তা ওপরেসন সিন্দুর চগুদুনা চাউনা মাই পাক্লকপা অদুগী মতাংদা লোক সভানা অখন্নবা মীফম পাঙথোক্তুনা খন্নখ্রে। খন্ন-নৈনবা অদুদা কেন্দ্রগী ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হায়- ওপরেসন সিন্দুর চগুদুনা ভারত পাকিস্তান সরকারদা টেরোরিজম শৌগৎলিবা মখৈ লৈবাক অনিগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরক্লোই হায়বদু ময়েক শেংনা তাক্লি। ওপরেসন অদুদা ভারত লান্মীনা পাকিস্তানদা লৈবা টেরোরিষ্টশিংগী কেম্প ৯ থুগাইখি অমদি টেরোরিষ্ট ১০০ হেন্নো হাৎখি। ভারতকী পাউখুম অদু লৈবাক অনিগী মরিদা উংখৎনহন্নবা নত্তে, হান্ননা খঙদোক্লবা টেরোরিষ্টশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং তার্গেট তৌখিবনি। শ্রী রাজনাথ সিংহনা হায়-

**--সাউন্দ বাইট--রাজনাথ**

খন্ন-নৈনবা অদুদা শরুক য়ারদুনা কেন্দ্রগী মপাল থৌরম মন্ত্রি ডা.এস.জয়সঙ্করনা হায়- ওপরেসন সিন্দুর পাঙথোক্লবা মতুং ভারতনা মালেমগী মীয়ামদা পহলগাম এত্তেক্তকী মতাংদা পাউদমখি অমদি মতম শাংনা চথরকপা পাকিস্তান সরকারনা ঙমখৈ লান্না টেরোরিজমগী থবক থৌওংশিং শৌগৎপা অদুসু মীয়ামদা খঙহনখি।

**ফুটবোল ঃ** জ্নিয়র বোইজ নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর ডাঃ বি.সি. রোই ট্রোফি ২০২৫ কী ফাইনেলদা মণিপুর অমসুং নোংচুপ বেঙ্গল থেংনরগনি। চেম্পিয়নশিপ অসিগী অহানবা সেমিফাইনেল মেটচতা মণিপুরনা দিল্লিবু পাঞ্জল ৭-৬ তা থোইখিবনি। শান্নবগী অপীবা মতমদা পাঞ্জল ২-২ চন্নবদগী পেনালতি কাউনবদা পাঞ্জল ৭-৬ তা থোইখি। অতোপ্পা সেমিফাইনেলদনা নোংচুপ বেঙ্গলনা মিজোরমবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইদুনা ফাইনেল চংলকখিবনি।

ফাইনেল মেটচ হয়েং এস.এফ.এস ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মথং থাগী ৪ দগী সেনাপতি জিলাদা লৈরিবা নন-লোকেল অমসুং নন-ইন্দিজেনস রেসিদেন্টশিংগী দেতা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসননা খোমগৎপা হৌরগনি হায়বা পাউ অমসুং ফুটহিলস নাগা কোরদিনেসন কম্মিতি(এফ.এন.সি.সি)গী মতম কত্তনা কৌখিবা বন্দ নুমিৎ ১০ নি ফাজিল্লক্লবা ফাউবা সরকারনা তুমিন্না লৈশিনবা য়ানিংদে হায়বা পাউনা-হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসকী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

রাজ্য সরকারনা ত্রাইভেল সোর্ট ফিল্ম অমসুং ফোতোগ্রাফি কম্পিতিসন হৌদোকখ্রে হায়বা পাউ অসিনা- গানফিউ মেলগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

এফ.এন.সি.সিগী খোঙজং নুমিৎ ১০ শুজিল্লক্লবা ফাওবা সরকারনা তুমিন্না লৈশিল্লি হায়বা পাউ অসি- তামেংলোং তাইমসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

রাজ্যপাল অজয় কুমার ভাল্লানা রাজ্য অসিগী দাইরেক্তোরেট ওফ ফোরেন্সিক সাইন্সেস অমসুং মণিপুর ষ্টেট ফোরেন্সিক লেবোরেটরিগী ফিভম য়েংশিনখ্রে হায়বা পাউ অমসুং হেংলেপ বিধান সভা কেন্দ্রগী এম.এল.এ অমসুং ওফিসিয়েলশিংনা এন.ঐচ-টুগী শরুক ওইরিবা চিয়াংপী অমদি দি-খোজিমগী মফম খরদা লম্বী নিংখাইবগী থৌদোক থোকখিবা অদু য়েংশিনখ্রে হায়বা পাউশিং অসিনা- মণিপুর মেলগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

ময়াং ইম্ফাল এশেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিগী ফৌবাকচাও গভর্ণমেন্ট হাইস্কুল, ওজা অনি ত্রান্সফর ওর্দর স্তে তৌখিবদগী জোইন্ট তৌরমদ্রে, এগজামিনেসন তৌরম্লগা স্কুল থোং লোনশিনখ্রে অমদি থোঙাম মোন্দুম রিজর্ভ ফোরেষ্টকী লৌরোক কোঞ্জিনগী চীংগী উশিং পাক্তকনা য়ান্থৎলম্লে, চেন্নবনি হায়বা মীওই অহুম উমং লোইশঙনা ফারে হায়বা পাউশিং অসিনা- হুইয়েন লানপাউগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

পহলগাম টেরর এত্তেক্টকী মাষ্টর মাইন য়াওনা টেরোরিষ্ট অহুম সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাখ্রে অমসুং জিরিবামদা পীল্লিবা অঙাং য়াওনা মীওই ৬ হাৎখিবা থৌদোক্কী মতাংদা হাইকোর্টনা এন.আই.এদা চার্জ সিট থাঙ্গৎলকবা খঙহনখ্রে হায়বা পাউশিং অসিনা- নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী সেক্যুরিতিনা নোংমৈ ১৫৫ অমসুং নোংমৈ মরু লিশিং ১,৬৫২ ফাগৎখ্রে অমসুং ষ্টেটকী থাক্তা ৱার্ল্ড হেপাতাইতিস ডে পাঙথোকখ্রে, ইং ২০৩০ ফাওবদা হেপাতাইতিস মুখৎনবা পান্দম থল্লিবা অসিদা মণিপুরসু চপ চানা থৌদোং লৌসি হায়বা হেলথ দাইরেক্তরগী ৱাফমনা- পোকফম পাউচেগী অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

সেদ্যুল ত্রাইভ দিমান্দ থবক্তা ওন্থোকবা গভর্ণরগী পুকিং চিংশিনখ্রে অমদি ইম্ফালগী দ্রেনেজ সিস্তেম ফেল ওইরে, নোং খজিক্তং চুবদা ঈচাও থোক্লে হায়বা পাউ- সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা লমাইদা ফোতোগা কোন্ননা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**